# এল দি য়ুগী খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল

খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল - মণিপুরদা পাঙথোকপা দ্রামা-ফেষ্টিবেল খর'সিগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা অমা ওইনা লৌনরক্লে। মতম অমদা মণিপুরগী খা-মায়কৈদা লৈবা দ্রামা লূপ খরখক্তগী ওইবা দ্রামা- ফাংনবগী কূমহৈ ওইরম্মী হায়বদি মমিংসিমক্না অদুম ময়েক শেংনা তাকচৈ। ১৯৫৫, মেরা থাগী থানিল নুমিৎতা শকফোঙলকখিবা 'লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়ন' না মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা থৌবু ওইনা পাঙথোকপনি। মতম অমদা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'না শেলগী মতেং পীদুনা কো-স্পোন্সর ওইবীরম্বদু তোকখিবদগী 'মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি' না অহাঙবদু মেনশিনবীদুনা, মতম অসুক কুইবসি ফেষ্টিবেল অসি পূন্না শীনমিন্নদুনা লাকপনি। অদুবু, ফেষ্টিবেল অসিগী ৪৪শুবা পন্দুপ অসিদদি 'একাদেমিগী শেল লৈত্রে' হায়দুনা এল দি য়ু মথন্তনা শীঞ্জবা ফেষ্টিবেল অমা ওইহল্লে। থিয়েটর সেন্টর মণিপুরনা শীনবা 'সোর্ট-প্লে কম্পিটিসন' অমসুং শুমাং-লীলা কাউন্সিলগা শীনমিন্নবা 'শুমাং লীলা ফেষ্টিবেল'দগীসু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী থৌদাং কোমথোকখিদুনা, একাদেমি অসিগী 'কলচরেল রেস্পোন্সিবিলিটি'দা অচৌবা ৱাহং অমা হংনীংঙাই ওইবা তানফম অমা লাকহল্লে। লাক্কদবা কোরৌশিংদা, মণিপুরগী কলচরগা মরী লৈনবা থবক/থৌরমশিংদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'না লৌরক্কদবা থৌদাংশিংদা চিংনবা অমা পোকহল্লে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৪দগী ১০, ২০২১ ফাওবা পাঙথোকখিবা 'খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল' অসি চহী অমত্তা কুম কাংদনা পাঙথোরকপা, অথোয়-অহেন তান্নবগী মওংদা শীনবা ফেষ্টিবেল অসিগী নিফুমরিশুবা পন্দুপ'নি। লীলা কাঙলূপ তরাহুমদোইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদু 'কোদোমপোকপী দ্রামাটিক য়ুনিয়ন' গী 'ঙসিদি হায়রগে' হায়না মিংথোনবা দ্রামা অদু অরোইবা মীকূপ্তা কলাকার মশা ঙল্লক্তবা য়াওরে হায়দুনা হন্দোকখিবদগী লীলা তরানিথোইখক্না অথোয় অহেন তান্নখি। করম্বা লীলা কাঙলূপকী করম্বা লীলা'না খ্বাইদগী ফবা লীলানি হায়দুনা জ্যুরি-মেম্বরশিংনা লাউথোকখ্রবা ... করম করম্বা কলাকারনা করি মনা ফংখ্রবা ... হায়বনচিংবগী পাউ অদুদি মরু ওইবা পাউচেশিং অয়ান্বদা ফোঙনখ্রবনা, ইজরিবা ৱারেং অসিদদি অমুক হন্না কোনশিনজররোই। করম করম্বা কাঙলূপনা করম্বা মওংদা করি লীলা উৎখিবগে? ফেষ্টিবেল অসিগী পূমশুপ শূপ্পা মশক অমা করম্না লেপ্পা য়াবগে? হায়বনচিংবগী তেন্তক তৌবা পাউদম অমখক তমজনীংলুবনি। লোকদাউন লাউথোকখিদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা, মীয়াম পূনবা থিংখিবা, সিনেমা-দ্রামানচিংবা কূমহৈ-ফিহোং - শান্ন-খোৎনবা পূম্নমক লেপ্পুরবা মতুংদা, ফীভম খরা ফগৎলক্তুনা মণিপুরদা পাঙথোকপা দ্রামা ফেষ্টিবেল/কম্পিটিসন অহুমসুবনি - টি সী এম' গী শোর্ট-প্লে কম্পিটিসন, এম দি য়ুগী ফোক-দ্রামা ফেষ্টিবেল অমদি এল দি য়ু'গী খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল! টি সী এমগী শোর্ট-প্লে কম্পিটিসন'দুমদি য়েংনবগী তাঞ্জা ফংখিদবা/ পীখিদবা অদুনা মদুগী পাউদমদুমদি কোল্লমসিদা তমজবা ফংখিদে।



অকংবা উপালগী সিন অমা

লীলা তরানিথোইসিগী মনুংদা লীলা মাপন'দি মীয়াম্না 'রিঅলিষ্টিক প্লে' হায়নবা, 'ত্রেদিসনেল প্লে' মখল অদুনি। মথংশিৎনা - মণিপুর য়ুথস কলচরেল ওর্গনাইজেসন, পোরোম্পাৎ থৱাম্থাবা লৈকায়'গী 'চৈশু'; লিবর্টি থিয়েটর, ককচীংগী 'লৈপাকলৈ'; ইষ্টর্ন মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন' গী 'সনাগী চৈশু', সলাই শক্তম লাংবা কাঙলূপ, হাওবম মরক'কী 'পোকখায়হৌদ্রবা বোম্ব'; কংলৈ লিভিং আর্টস, উচিৱাগী 'করিনুংগী নুপী লোঞ্জরুবা'; নোর্থ-ইষ্ট দিভলপমেন্ট স্পোর্টিং এসোসিয়েসন, সলুংফমগী 'অতোনবী'; ওলটর্নেটিভ থিয়েটর গ্রুপ, শিংজমৈ ওইনাম লৈকায়গী 'তীনখাক্তগী কুরাক'; য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন, খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়গী 'অকংবা উপাল' অমদি রোয়েল থিয়েত্রিকল ক্লব, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী 'ঐ কৈসু তৌদে' হায়বা প্লেশিং অসিনি। জুবিনাইল থিয়েটর, কোংবা খেত্রি লৈকায়গী 'মরা তাখ্রবা নূং' - কুনশুবা চহীচাগী সেভেন্টিজ অমসুং আইট্রিজগী মতমদা মণিপুরদা কন্না তৌনরম্বা চাংয়েং-লীলা, এক্সপরিমেন্টেল-প্লে হায়না খঙনবা লীলা মচৎ অদুদা পুথোক্তুনা শান্নবনি।

পাখঙবা থিয়েটর, ঙাইরাংবমগী 'তিংখং' - রিঅলিষ্টিক পেত্তর্ন' দা ঙাঙনবা লোন শীজিন্নদুনা ইবা লীলা ওইদুনসু, পার্সি থিয়েটরদগী থঙথরকপা ত্রেদিসনেল - রিঅলিষ্টিক লীলাগী মচৎ অদুদগী নাথৈরগা ইরকপা অমদি পুথোরকপা লীলানি। কাঙলূপ অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নৈনবা চুম্লোই। অদুগা, তরানিথোইশুবা লীলা- ককচীং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'চন্দ্রগন্ত' - মিথোলোজিকল ওইবা লীলামকসু নত্তবা, মিথ অমদি রিঅলিটি অনী তোৎশিন্নদুনা ইবা লীলানি। তোপ-তোপ্পা মশক অমনি, তোপ-তোপ্পা মহাও পীবা লীলানি।

লীলাশিংদু অমমমতা ওইনা নৈনদুনা ৱারেংসিদা লীলাশিংদুগী মশক লেপ্নবা হোৎনজরোই। অথোই-অহেন তান্নবনি। কাঙলূপ খুদিংমক্না, মাগী মাগী প্রদক্সনদুনা খ্বাইদই ফবা লীলানি খন্না পুথোক্লরক্লিবনি। করম্বা কেটেগোরিদা কনানা খ্বাইদই ফবনো লেপথোক্নবা এক্সপার্ট (জ্যুরি) অহুম ফমদুনা রিজল্ট'তুসু লাউথোকখরে। য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী 'অকংবা উপাল'না খ্বাইদই মরু ওইবা এৱার্দশিং - বেষ্ট প্রদক্সন, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনা ফংখ্রে। সেকেন্দ বেষ্ট প্রদক্সনগী মনাসু রিঅলিষ্টিক স্কুলগী ৱাখল পরীংদা পুথোকপা লীলা অহুম'না পূন্না ফংমিন্নখি - কংলা উচিৱাগী 'করিনুংগী নুপী লোঞ্জরুবা', নেদসা শলুংফমগী 'অতোনবী' অমদি সলাই শক্তম লাংবা কাঙলূপকী 'পোকখায়হৌদ্রবা বোম্ব'। অহুমশুবা বেষ্ট প্রদক্সনগী মনা ফংখিবা, লিবর্টি থিয়েটরগী 'লৈপাকলৈ' সু রিঅলিষ্টিক-দ্রামানি। মমাঙগী চেপ্তুরশিংদসু রিঅলিষ্টিক প্লে'মক্তনা তোপ ওনর ফংখিবা ওইবনা, ৱাফমসিমদি ৱারোই ওইনা খন্নবা য়াই, মদুদি - খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেলদা কম্পিটিসন য়াওগে খল্লবা সোসল রিঅলিষ্টিক প্লে অমা খল্লগা সিরিয়স ওইনা শান্নগদবনি। বেষ্ট স্ক্রিপ্টকী মনা লৌগে খল্লবদি অহিংবা লীলা -ইবা অমগী ওরিজিনেল ৱার্ক ওইহনগদবনি। ত্রান্সলেসন নৎত্রগা এদাপ্টেসন - মনা অসিগীদমক খন্নদে। হিংলিবা/অনৌবা লীলা ইবশিংবু পূক্নিং থৌগৎনবা শেমখিবা থৌশিল অমনি।

৪৪শুবা ফেষ্টিবেল অসি উরুরগা, লীলা পুথোকপীরিবা/কম্পিটিসন য়াওবীরিবা লীলা লূপ পূম্নমক্তা ৱাফম অমখক নীংশিংজনীংই। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়ম অসিদা বেক-দ্রোপ সিন (অয়েকপা) অমখক লৈ। লীলা খুদিংমক চপ মান্নবা সিন অসিগী বেক-দ্রোপ'তা শান্নরকপনা, লীলাদুদা চেনফম থোকপা ময়াই হন্থহল্লি। সেট দিজাইনরগী মথৌ লৈহন্দে। হোষ্ট ওইরিবা এল দি য়ু' না 'ব্লেক অমদি হ্বাইট সাইক্লোরামা অনীসি নত্তনা হোলগী অয়েকপা সিন অসি শীজিন্নবা য়ারোই লাউথোকপীরগদি, দাইরেক্টরশিংনা ক্রিয়েটিব ওইবা দিজাইন পুথোক্লরকপসু য়াই।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল, মণিপুরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থিয়েটর ইভেন্ট অমা ওইরক্লে হায়বসি আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা খঙফম থোকই।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

ৱারী ককনাউ

## থম্বাল থমচেৎ থম্বৌ

তাইবুংঙো থাফাবগী মচা অহুম পোকই। নুপা অনী, নুপী অমা। নুপানা অহল অমদি অতোম্বা ওইরি অদুগা নুপীনা য়াইমনি। তাইবুঙো থাফাবা ঐখোয় লৈকায়, খুনসিদদি মচিন মৱা য়াম্না চৎলি। মানা হায়খ্রদি লোইরে। মরৌ মশিংসু নিংথিজনা লৈ। মী নেক নেক্তুনা লৌ উহল্লি, ইঞ্চোল কোয়হল্লি। অদুগা মদুগী মহৈ-মরোংশিংনা মানা লোইনা চাই। মীঙোন্দা পীথোক্তে, মীঙোন্দা পীথোক্তৌ শরুক পৎলগা মাঙজসনু হায়বগী ফীভমদা লৈবা মীতা জাৎনি। মাসি অদুক য়াম্না ফত্তবগী ৱা ঙাকসু নত্তে। খরবুদি লিকচরসু মীনা হায়রবা-হংলরবদি হেক্তা পী, অদুকান্দুদদি মবুকচেল চাউই। হংলদ্রবা-হায়রদ্রবা, হঙ্গাম মকা অমা মাগী ইঞ্চোলদগী হেকপা ঙম্বা লৈতে। ইঞ্চোল কোয়বীরিবা মীদুনফাও য়েন্দেম মকা অমা হেকপা য়াবা নত্তে। হায়বু হায়রবা হেকনীংখৈ হেকখো, পুনিংখৈ পুখো হায়বা মীতা জাৎতুনি। মখল অমগী মীদানি থাফাবা।

মাগী লৈরিবা কুম অমগী কারকপা ফৌশিংদু তাঙল-তাঙলকান্দা তাইথোকই। অদুগা শেলদুনা শেন্দোই কাবিদা শান্দোকই। শেন্দোই খক্তনা মাগী মরল মথুমসি মথং-মথং লেপশিল্লকই। শেন্দোই খিতা তাবীয়ু হায়রুবগা য়াবা নত্তে। মঙোন্দা মুক্নবা য়াদে। হায়জ-নোঞ্জরবদি অদুম য়েংবী। য়াম্না চাওজনীংবগী টাইপনি। মাই মতৌ লৌদুনা মচাশিংসু থবক মনা অমত্তা শুদে। অদুম নুংঙাইনা লৈথোকই। মপাগী মরলশিং অদু কায়দুনা চারসু লোইরোই হায়না খল্লি। অদুনা লাইরিক লাইশুদা থৱায় অদুক য়াম্না য়াওরক্তে। খরা খরা তম্মগা, হঞ্জিন হঞ্জিন এগজাম থাবদা মায় পাক্ত্রকান্দতা লাইরিক তম্বা তোকপনি। থম্বালদু মেত্রিক ফনা য়াম্না থাজৈ। পাস তৌবা ঙমদে। কায়-কায়দনো চৎলগসু য়াম থারুবনি, শিনবফাও হৈতব্রা খঙদে, অদুম ফেল ওই, মমৈথংদা লাইরিক তম্মগা কৈকান্দুইনো হায়না তোকখ্রে। মচানুপী থমচেৎতি মশক য়াম ফজবগী মতিক নাপল য়াম কাই, ইখৎ খৎলি। অহানবা কোলেজ কাবা কুমদুদা ইম্ফাল মচা অমনা ফাবোই, চিংবোই তৌদুনা লুহোংখ্রে। চহী অনী ফারকপদা মপুরোয়বদু লায়না অমনা নাবদগী শিখ্রে হায়দুনা ময়ূমদা মচা অমা পুরগা হল্লকই। মাসু চি থুংবগা চপ মান্নরে, ময়াং কংত্রিক কংখ্রে। ময়ূমদগী মপান কয়া থোক্তে, ইমুংদা নৈশিন্দুনা লৈ, ঙাইহাক লৈতনা পিৎ-পিৎ নাই। এ আর টি চারি। অতোনবা থম্বৌসু, অদু মঙাই কেথোক মৌথোক্না য়োকপদগী তোনানমন্দুনা লাইরিকসু নাম্থোকখ্রে। নোং ঙানবদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা মংদুনা লৈরি। মীপূম খুদিংনা মখোয়গী ইমুংদা থনম্বা ইকায়খুম্নবা অদু মচা হাক্তক্তা পুন্মাঙ মাঙখ্রে।

ময়াম্না তাইবুংঙো-তাইবুংঙো হায়না মীঙ্গৌনরম্বা থাফাবা ঙসিদি মীমাং থোক্লে। লৈকায়-ক্লব ময়ামগী মমাঙদা হন্না হন্না মখূৎ লোন্নদুনা হায়জ-নোনজবা নত্তনা করি পাম্বে লৈরি। মতম অমা মুক্তুনা লৈরম্বা তাইবুংঙো থাফাবা হনুথংসিদা লোইরে। মাগী মরল মথুম মচেৎ মচেৎ য়োনবা হৌখ্রে। ফনা নিংথিনা ময়েং তাখ্রে।

ক্লবতা মীটিং অমা ফম্মী। নোংমাইজিং নুমিৎকা ওইবনিনা ক্লবকী মেম্বরশিং শুরে। লৈকায়গী মীয়ামসু অয়াম্বা অহল লমন্দগী চিংলগা য়াওরে। ক্লব মনুংদা ফম্লম্বদগী মী চন্নদদুনা মপান থোক্লগা ক্লবকী কেম্পসতু মী ফনা নিংথিজনা পুল্লগা মীটিংদু চথুরি। তাইবুংঙো মমায় হাইগৎতে, ময়াম ফল্লিবদুগী নাকন ওইরপ্না মমায় লুকথদুনা ফল্লি। মচানুপা অতোনবদুদি মরূগদু ময়াম চঙদনা কোকপদগী ফজরে। অদুসু নাকলদা ফল্লি। ফম্না ফম্না তাইবুংঙোনা মচাদা হেক হেক য়েংলি। মাগী ৱাখলদা খল্লি। অসুক ফত্তবা মচাসিবু কমদৌবনো? মসিবু লাম্মগা মখৌরিসি পেৎ লাউনা মেৎলগা হাৎলসিরা হায়দুগী মীৎয়েংনি। ময়াম চঙদনা অমনা অমুক ঙাঙই, অমনা অমুক ঙাঙই, লৌখৎনীংঙাই অমত্তা লৈত্রে। তাবা নত্তনা করি হায়রুনি। মচা অতোনবদুনা নম্বর ৪ কাপ্পদগী লৈকায়গী নহা খরা অমসু মতুং ইন্দুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা য়াওনরকপা, লৈকায়গী পোৎমাঙ চৈমাঙ তোয়শিল্লকপা, মপান্দা থনম্বা খুদেং ফাওবা মাঙশিল্লকপা পূম্নমক অসি মাগী মচানুপানা থোকহনবনি হায়বসিনি। মহাক অসি ক্লবনা শীল্লগা সেন্টর অমদা থমখ্রগে, মসিদা য়াদ্রগনা লৈকায় অসিদা লৈহনবা য়ারোই সিনি। তাইবুংঙোনা তপ্না হৌগৎলগা হায়জৈ,

ময়াম ঐ ৱা অমত্তা হায়জগে, ঐ মায়থীরে। ঐগী পুন্সিসে শিরমদাইসিদা অসুম্না ইকায় শঙ্গোই হাংবসে, ঐনা নহানমুক্কী মপোক্তা পাপ কয়া তৌরকপনা ওইগনি। ঐগী ইচাসি ঐনা ৱারকপা ঙমদ্রে। লৈকায় ক্লবনা সি ফৈ হায়বদো অদুম তৌবীখো, ঐগী মায়কৈদগী করিসু য়েৎনীংঙাই লৈজদ্রে" মাগী ৱাদু তাবদা ময়াম খূবাক খুদুনা ৱা ৱা লাউনরিঙৈ তাঞ্জাদুদা, তাইবুংঙোগা য়ূমলোন্নবা নুপী মৌ অমা চেনশিল্লক্লগা পাউ অমা পীরৈ।

"ময়ূমদা পুলিস ময়াম অমা লাক্তুনা মচানুপা অহলদু, মীগী নুপা লৈবা নুপী অমদা কারন তারুই হায়বদগী ফারগা পুখ্রে। অদুগা মচানুপী অদুসু লেকথখিবদগী লৌশিং তাখিদ্রে।" তাইবুংঙো লেপ্পম্বদগী তপ্না ফমথখি। অমুক হৌগৎলকখিদ্রে। ময়াম্না তাইবুংঙোবু মখূৎ পায়দুনা চিংখৎলি। তাইবুংঙো অঙাওবগুম অমদা অমুক য়েংই, অমদা অমুক য়েংই।

"য়ারগদি ময়াম্না থোকপা অদুম তৌবিখ্রো, ঐগী অয়েৎপা অমত্তা লৈজদ্রে।"

**– নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# ফেব্রুৱারী ২১, ২০২১ ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দে

## "Fostering multilingualism for inclusion in education and society"

মালেমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওই ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগী মরক্তা ঈ-পাউ ফাওনদুনা, লাইরিক লাইশুগী লম্দা, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী হীরমদা, পুৱারী নৈনরকপদা অমদি হীরম কয়াদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি লোল হায়বসিনি। লোল হায়বসিদা য়াওরি লাইনীং-লাইশোল, কলচর, পুৱারী, আইদেন্টিটি। মীওইবগী লৌশিংগী পুক্নেসু মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চিন্থাংদা অদুগা অইবা লাইরিকশিংদা মথং মথং শমথদুনা লাক্লি। মসিদা লোল হায়বসি লৈরমদ্রবদি লমলক্কী শা-কৈ, উচেক-ৱায়াগী পুন্সি মহিংগা খেন্নবা থোইনা লৈরমলোই। লোল হায়বসি লৈরম্বনা ঙসি মীওইবনা থা লৈবাক্তা খোঙদাবা ফাওবা ঙল্লক্লি। কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ফাওবদা মালেমসিদা লৈরিবা মীওই মশীং অসি ৭.৮ বিলিয়ননি। য়ামখ্রবা মীয়াম অসিনা নুমিৎ খুদিং পাউ ফাওনদুনা হিংলিবা, চৎলিবা পূম্নমক লোল হায়বসিগী মিদিয়ম অসিদনি। অদুনা হায়নরিবনি লোলনা ইমানি, ময়েকনা ইপানি। তৎন-থানবা য়াদ্রবা তাইবঙ মপোক্কী শরুক অমা হায়রবদি ইমালোল হায়বসিনা ওইগনি।

**মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎকী পুৱারী :** করিগীদমক ফেব্রুৱারী ২১বু মালেম শিনবা থুংনা মালেমগী ইমালোল নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লিবনো হায়বসি নৈননীংঙাইনি। মীওইবা খুন্নাইদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লাইনীং-লাইশোল চৎপা মীওই ফুরুপ কাঙলূপ কয়া লৈরি। মখোয় খুদিংমক্কী মাগী মাগী তোপ তোপ্পা লোল, ময়েক কয়া লৈরি। অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে। মীওইবনা মালেমদা লৈবা হৌরকপদগী হৌনা অকনবনা অশোনববু তুহৎপা অদুগা অপিকপা ফুরুপ কাঙলূপ্পু পাঙ্গল কনবা লৈবাক নিংথৌনা লোই চন্দুনা কন থৌরবা লৈবাকশিং অদুগী মখাদা মীখা পোন্দুনা লৈখিবা লৈবাক কয়াগী পুৱারী কয়া লৈরি। অসিগুম্বা মীশিং য়ামজদবা অপিকপা ফুরুপশিংদি অচৌবা ফুরুপশিংদা তিনশিনখিদুনা মশাগী লোল, কলচর অমদি আইদেন্টিটি মাঙখিবা য়াওদবা নত্তে। মীওই লাখ কয়ানা মতম অমদা ঙাঙনরম্বা অদুগা মরু ওইবা কলচরগী, লাইনীং-লাইশোলগী টেক্সট কয়া ইরল্লিবা সংস্কৃট হায়বা লোল অসিফাওবা হৌজিক মসিবু ঙাঙনরিবা, ইনরিবা মীওই মশীং মরাং কায়না লৈশিল্লকত্রিবনি। ইমা লোলগী মরু ওইবসি মালেমসিদা বাংলাদেশনা নৌনা মীকপ থোকহনখিবনি হায়না লৌদবা য়ারোই। ইমালোল হায়বসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীবা হায়বসিসু মালেমদা অতাঙবনি। মসি পূম্নমক বাংলাদেশকী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈরি। কুমজা ১৯৪৮গী মতমসিদা পাকিস্তান লৈঙাক্কী লুচিংবা জিন্নাহনা ধাকাগী রেসকোর্স লম্পাক্তা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা পাকিস্তান লৈবাক্কী ষ্টেটকী লোলদি উর্দু নত্তনা অতোপ্পা লোলনা ওইবা য়ারোই হায়না লাউথোক্লকখি। করিগুম্বা মসিবু থওইদ্রবদি মীওইশিং অদু পাকিস্তানগী য়েক্নবা ওইনা লৌগনি হায়রক্লবদা বাংলানা মমা লোল ওইজরিবা মহৈরোয়শিং অমদি নহারোলশিং তূমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। য়ানীংদবগী খোল্লাউ কয়া থোক্লককখি। ধাকা সহর অমদি অতৈ মফমশিংদা শাথীরবা লম্মৈ চাকপগুম্না ঈহৌ শাগৎপা অমদি য়ানীংদবগী খোল্লাউ হেনগৎলকখি। মরম চাবা ঈহৌ ওইবনা অখঙ অহৈ ওজা কয়াসু য়াওশিল্লকখি। চোঙথোক্নরকখি মমালোল বাংলাগীদমক অতৎ অখম লৈতনা জিন্নাহগী ৱাহৈশিংদুগী মায়োক্তা লেপ্লদুনা জয় বাংলা লাউরদুনা। লোলগী ঈহৌ খংকন কনশিল্লকখি কুমজা ১৯৫২গী ফেব্রুৱারী হেক য়ৌশিল্লকপদা। মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ শাথীনা কনশিল্লকখি। ধাকাগী মফম কয়াদা খূৎলায় পায়বা সিফাইনা পুমচায় চায়দুনা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনখি। ইষ্ট বেঙ্গল লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অকোয়বদা মশীং য়াম্লবা সিফাইশিংনা কোয়শিন্দুনা ঙাক শেনখি। অসোমদা মশীং য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা গ্রুপ শেমদুনা লেপ্তুনা খোল্লাউ লাউরকখি, বাংলাবু ষ্টেট লেংগ্বেজ ওইহল্লু হায়না। নুমিৎ অসি এসেমব্লিগী বডজেট সেসন হৌবা নুমিৎসু ওইখি। ঈরাং কনশিল্লকখিবনা লানবুং অমা ওইখি। ঈরাং লাকশিন্নবা টিয়র গ্যাস কাপখি, লীচৈনা কনখি। চরাংনখি। মহৈরোয় কয়া অশোক অপন নংখি। নোংমৈ মখোলনা নিনখি। নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরমদদি পুলিসনা ৱার্নিং অমত্তা পীদনা ওপন ফায়র তৌখি। ধাকা মেদিকেল কোলেজগী কেম্পসতা ঈখেংলক্তা পুন্সি পিখম্নখি মনিকগঞ্জ কোলেজগী মহৈরোয় রাফিকুদ্দিন পুলিসনা মথোং মরম খঙদনা কাপশিল্লকখিবা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা। মীওই কয়া অমনা শাথীনা শোক্তুনা ধাকা মেদিকেল কোলেজদা লায়কন্নখি। নুমিৎসিমক্তদা ধাকা য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল সাইন্সতা তম্লিবা আবুল বরকতসু নোংমৈনা পান্দুনা লায়কন্নবা ঙমদনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। লাইবক থীবা নুমিৎ অসিগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসিদা কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা আব্দুস সলামসু লায়কন্নবা ঙমখিদে। দুকান ফমদুনা লৈজবা আব্দুল জব্বারসু পুলিসকী নোংমৈনা পান্দুনা অরোইবা য়াহিপ তানখি। ইমালোলগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা অরোইবা ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি মহৈরোয় কয়ানা অমুবা বেজ থেক্তুনা মথংগী নুমিৎতা। মমালোল বাংলা থাদোক্লগা উর্দু ঙাঙগদবনি হায়দুনা নম্ফূদা তৌরক্লিবা থৌওং অদুদা তপথবা ঙমখিদে। খোয়শাওনবা হেল্লকখি। খোঙচৎ অসিবু থুগাইনবা খূৎলায় পায়বা পুলিসশিংনা অমুক্না ওপন ফায়র তৌখি। লাইবক থীবা নুমিৎ অসিগী থৌদোক্তা ধাকা হায়কোর্টতা থবক তৌদুনা লৈবা সফিউর রহমান পুন্সি পিখম্নখি। বাংলা লোলগীদমক চঙশিনখিবা খোঙজং অসিদা অথৌবা মঙানা থৱায়না পোন্থা পীখি। লোলগী কল্লবা ঈহৌ অসিনা মরম ওইদুনা বাংলাদেশ কৌবা লৈবাক অমা শেমখি কুমজা ১৯৭১দা।

করম্না কাউগনি মালেমগী মীয়াম্না নুমিৎ অসিবু। লোলগীদমক ঈখেংনা ইরল্লবা পুৱারীনি বাংলাদেশকী। মালেমসিদা লৈরিবা মমা লোল লৈজবা অপিকপা কাঙলূপ ফুরুপ কয়াদা থৌনাগী মৈরি চুখৎলমখিবনি বাংলানা। ইকায়খুম্নফম থোকই লোল অমনা লোল অমবু। অদুনা য়ুনেস্কোনা মীফম অমা কুমজা ১৯৯৯গী নবেম্বর ১৭তা ফমদুনা ফেব্রুৱারী ২১বু ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দে হায়না লাউথোক্লককখি। অসুম্না মথং চহী ২০০০গী ফেব্রুৱারী ২১দগী হৌদুনা মালেম শিনবা থুংনা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ হায়না নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা হৌখি।

**মালেমসিদা লৈরিবা লোলগী ফীভম :** মালেমসিদা খুন্দাদুনা লৈরিবা য়ামখ্রবা মীওই বিলিয়ন কয়া অসিনা ঙাঙনরিবা লোল অসি ওন্থোক্না য়ামই। রেকোর্দকী মতুংইন্না মালেমসিদা লোল ৬০০০ ঙাঙনরি। ঙাঙনরিবা লোল খুদিংমক মশাগী ময়েক লৈজবদি মশীং য়ামদে। লাক্কদৌরিবা চহী চাম্মা খরসিদা লোল ফনা য়াম্নদি মাঙখিবগী মীপাইবা পোক্তবা নত্তে। মসিগী মরম কয়া য়ুনেস্কোনা পীরি। মীশিং য়াম্বা কাঙলূপশিংগী মরক্তা লৈবা অপিকপা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা মশাগী লোল ময়েক লৈজরগসু লোল অদু ইমুংদা ঙাঙবদগী হেন্না শীজিন্নদ্রবা অদুগা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা মমালোল অদু শীজিন্নরক্তবা মতমদা তপ্না-তপ্না অদুম লোল অমা মাঙশিল্লক্নবগী মরমশিং ওইরকই। অদুগা করিগুম্বা লোল অমা মমা-মপা ওইবশিংনদি ঙাঙনবা অদুগা মচা মশুশিং অদুনদি খঙদ্রবা অদুগুম্বা লোল অদুসু মুৎখিবা য়াবগী মীপাইবা লৈরি। লোল কয়াদি খঙনা খঙনা মালেমগী লৈমায়দগী মূৎখিবা য়াওরক্লি। থাজবা ঙল্লোই কমদৌনা লোল অমনা মুৎখিবনো হায়বসি। মেক্সিকোগী খা থংবদা লৈবা অয়াপা খুঙ্গং অসিদা ঙাঙনরিবা অয়াপানেকো, কৌবা লোল অসি ২০শুবা চহীচাগী তঙ্খায়দা চল্লকপা মতমদনি মরাই চাইথরকখি। ফুরুপ অসিগী মীওইশিংসু মশীং য়ামশিল্লকখিদে। নৌনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা মমালোলদা লাইরিক তম্বা অদুগা ৱারী-ৱাতাই শানরকখিদে। স্পেনিসখক্তমক ঙাঙগদবনি হায়রকখি। হীংনবা হোৎনবদা অপিকপা ফুরুপ কাঙলূপশিংনা মালেমগী মফম কয়াদা খুন হোংদুনা চৎনখি। মসিদা য়াওখি অয়াপানেকো লোল ঙাঙলিবা মীওইশিংসু। লোল অমনা হীংদুনা লৈরিবসি ঙাঙনদুনা লৈবা অদুদনি অদুগা মদু হেক ঙাঙনখিদবা মতমদদি অদুমক কাউথোক্লককপা তাবনি। মসিমক থোকখি অয়াপানেকো লোলদসু। মানুয়েল সেগোবিয়ানা পাম্বে কয়া পুথোকচদুনা মমালোল অয়াপানেকোবু হিংনবা কন্না হোৎনজরমখি। থম্মোয় শোক্না মহাক্না হায়, ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদদি মীপূম খুদিংমক ইমালোল অসি ঙাঙলম্মী। অদুদগীদি শীজিন্নবগী চাং অসি তপ্না-তপ্না হন্থরকখি। হৌজিক্তি ঐহাক্না শিখিবদা লোল অসিসু য়াওনা অসুম শিখ্রনি। মসিদি খুদম খরগী ৱানি। অসিগুম্বা অপিকপা কাঙলূপ ফুরুপ কয়া লৈরি মালেমসিদা। অদুনা ফেব্রুৱারী ২১ মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ হায়দুনা লৈবাক কয়াদা পাঙথোক্নবসু পূক্নিং থৌগৎলি য়ুনেস্কোনা।

ইন্দিয়াদা সাহিত্য একাদেমিনা অমদি কন্সটিট্যুসন্না শকখঙলবা লোল ২২ লৈরি। মণিপুরী লোলসু মসিদা য়াওরি। কমদৌনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না শকখঙখিবনো হায়বদুগী পুৱারী লৈতবা নত্তে। মশাগী লোল ময়েক লৈজবা মণিপুরী লোল অসি লৈরম্বনা ঙসি চাওথোকচনা হিংবা ঙল্লি মণিপুরীশিংনা। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা তুংদা কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা য়াওদনা মশক খঙদনা ফনা কুইনা লৈখি। তৌইগুম্বসুং সাহিত্য একাদেমিনদি মণিপুরী লোলবু শকখঙখি কুমজা ১৯৭২দা। পাচা মীতৈগী নোভেল 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম'দা অহানবা মণিপুরী লোলগী ওইনা সাহিত্য একাদেমি মনা পীখি। ৮শুবা সেদ্যুলদা য়াওদবগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনখি। ঐখোয়গী অইবা ওইবীশিং তূমিন্না লৈথোকপা ঙমখিদে। কুমজা ১৯৯২দা, কংলাগী মনিং থংবদা লৈরিবা জোনষ্টোন স্কুলগী নোংপোক থংবা মায়কৈদা জন্যুৱারী ৯দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা মণিপুরগী অইবশিংনা খূথাং চরা হেনবগী কল্লবা খোঙজং অমা চঙশিনখি মণিপুরী লোলবু নিপালশুবা সেদ্যুলদা চন্নবা হায়দুনা। কাউবা য়াররোইদবা তাঙ্কক অমনা শক্লাইরবী অইবী এম কে বিনোদিনি অমসুং টি থোইবীনা লুচিংদুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা অসিনি। ইমালোলগীদমক মণিপুরী অইবশিংনা তূমিন্না লৈথোকখিদে হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমনি। ঈহৌ অসি মায় পাক্নবা হোৎনবদা মণিপুরী লেংগ্বেজ দিমান্দ কো ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা চাওরবা থৌদাং লৌখি। কম্মিটি অসিগী কনভেনরনা লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রনা ওইখি। মতমসিদা এমসুনা চাউরবা থৌদাং লৌখি। ঈহৌ অসিগী খোঙজংশিং মথং মথং চথ্দুনা ইন্দিয়াগী কেপিটেল ওইরিবা দেল্লি ফাওবা য়ৌখি। খোঙজং অসিদা মীওই কয়াসু পুলিসকা মুক্নবদা অশোক অপন নংখি। কাউবা য়াররোইদবা পুৱারীগী লমায় অমদি ওইদুনা লৈরি ঙসিসু। নমথবা য়ারোইদবা অমদি অশেংবা অচুম্বা ঈহৌ ওইখিবনা কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্টকী ২০দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না শকখঙলবা লোল অমা ওইখি মণিপুরী লোলসু।

**ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনবদা খোরিরোল অমসুং অইবশিংগী থৌদাং :** খোরিরোলদা লোল হায়বসিনা থৱায় ওইরি হায়বসি খঙবনা মণিপুরদা সাহিত্য থৌপাং লূপ (সাথৌলূপ) না কুমজা ২০১৩দগী হৌদুনা সুই জেনরিস মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ অহানবা ওইনা লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রদা অমদি এমসুদা পীখি। মথংদা খ্বাইরাকপম লোকেন্না মহৈরোয় অমা ওইনা অমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা ইমালোল অসিবু থাক ৱাংনা পুখৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অদুগী সুই জেনরিস মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ পীখি অসুম্না সিলচরদা লৈবা ওক্রম চুরামনী, লমাবম গোজেন্দ্র, চানম হেমচন্দ্রদা মথং মথং মনাশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎখি। হেন্না নুংঙাইজবা অমদি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবদি, মণিপুরদা অসিগুম্বা য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১বু ষ্টেটকী থাক্তা লূপ কয়ানা অমদি মণিপুর লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দাইরেক্টোরেট য়াওনা নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লরকপসিনি। মণিপুরদা মৈতৈশিংতা নত্তনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোল ঙাঙবা কাঙলূপ ফুরুপ কয়া লৈরি মখোয়শিংদুগী মনুংদা কবুই ফুরুপসু অমনি। কবুই ফুরুপ অসিগী লোলবু হিংনবা কন্না হোৎনরিবা থৌমী অমা হায়রগদি দি এল কবুইসু অমনি অদুনা ২০২০দা মহাকপু সাথৌলূপনা খুম্বোংময়ূম গৌরহরি মাধুমতি মাদর লেংগ্বেজ এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ২০২১গী ওইনা মনা অসিগীদমক প্রোফেসর চুংখাম য়াশৱান্তদা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎকনি। কোভিদ পেন্দমিক মরক অসিদসু অইবা অইবীশিংনা লৈবাক্কীদমক ৱাজরি। লাচনবা লেপ্তে পুন্সি অমদি খুন্নাইগী শক্তমশিং ঙসিসু। সাহিত্য একাদেমিসু তূমিন্না লৈথোক্তে। অদুনা একাদেমিনা শীন্দুনা মল্টি লেংগ্বেজ পোইট্স মীট পাঙথোক্লি লেপ্তুনা মরমদি লোল হায়বসি ইবা অমসুং ঙাঙদ্রবদি মশানা অদুম তপ্না-তপ্না হেক্তা শিজিল্লকই। মসিদা অইবশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউনা য়াওরি। ভর্চ্যুএল প্লেটফোর্মশিংদা মালেমসিদা লৈরিবা গ্লোবেল মণিপুরী কম্যুনিতিগী প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা মণিপুরী মিররদা সাহিত্য, কলা, কলচর, লোল, পুন্সি মহিং, হরাও কুম্মৈ কয়াগী মরমদা নুমিৎ খুদিং নৈনরি খন্নরি। মসিমক য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওই। মণিপুরগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়াগী ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা পুখৎনবা রাজ্য সভাদা পুখৎপসি য়াম্না মতাং চাবা অমদি থাগৎনীংঙাই ওই। নাকল অমরোমদা বাংলাদেশতা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা মণিপুরী লোল অমদি খোরিরোলবু য়োকখৎনবা অমদি তুংগী মীরোলদা মসিবু শীজিন্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং শিংথানীংঙাইনি। শক্লাইরবা অইবা এ কে সেরাম, খোইরোম ইন্দ্রজিৎ, সনাতোন হামোম, সেরাম নিরঞ্জন, মাইস্নাম রাজেসনচিংবা কয়ানা স্পিরিট অমগা লোয়ননা হোৎনরি মণিপুরী লোলগী অমদি কলচরগীদমক। বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংষদ, ত্রিপুরা, অসাম, মেঘালয় অসিনচিংবদা লৈরিবা খোরিরোলগী লূপশিংনা ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনরিবা থবক থৌরমশিং শিংথানীংঙাইনি। ইন্দিয়াগী ওইনা লাক্লিবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি, ২০২০দা হায়রিবসি অমুক্তা কূপ্না য়েংমিন্নবা মথৌ তাগনি। মসিদা হায়রি প্রাইমারি স্কুলশিংদা অঙাংশিংদা মাগী মাগী মমালোলদা লাইরিক তমহনবীগদবনি হায়না। মমালোলদা লাইরিক তমহনবনা হেন্না অঙাংশিংনা লৌশিং তানশিনবদা য়াম্না থুনা খঙবা হৈবগী চাং হেনগৎলি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা লৈ। য়ুনেস্কোনসু হায়রি অঙাংশিংবু মমালোলদা লাইরিক তমহন্নবা।




**– তোংব্রম অমরজিৎ**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।